# কাউবা ঙমদ্রবা ৱাহৈ অমসুং সোসল ৱার্কর

থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা

শোৎলগা চাও, পুরগা শিংউ হায়বা সেটরিকেল ওইবা পাউরৌ অসি কনানা করম্বা মতমদগী হৌদোক্লম্বনো হায়বা কনানসু খঙবা ঙম্মদ্রি। কনানা হৌদোক্লম্বনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রবসু শক্লাইরবা অইবা মোইরাংথেম ইনাওনা তোয়না হায়বা ৱাহৈ পরেং অমনি।





ইনাওনা হায়বা তাবতদা ৱাহৈ পরেং অসি চিনফা পুহৌরিবনি। মতম অমদা হায়রিবসি করিনো হায়না থোইনা খল্লুবা লৈতে। অদুবু হন্দক্তি ময়েক শেংবা ৱাহন্থোক থেংনরে। লমদম অসিগী সোসল ৱার্করশিংনি হায়না চোংথোরক্লিবশিংগা ৱাহৈ পরেং অসিগা চপ চানবদৌনা তৌরি। হৌজিক্কী সোসল ৱার্কর মহাশিং অসি শোৎলগা ওইবা সোসল ৱার্করনি হায়না লৌবা তাই। মীয়ামগী করিগুম্বা থবক অমা তৌগনি হায়না খন্নবা হৌরকপদা নীবগী ৱা হান্না খন্নরক্কনি। কনাদগী করি নীরগা মীয়ামগী ওইবা থবক পাঙথোকপা ঙমগদগে হায়বসিনা মাঙদা থম্মী। ইশা ইশাগী অঙম্বা হোৎনরগা মীয়ামগী ওইবা থবক তৌগে হায়না খনবগী ৱাখল্লোন মমি শামথখ্রে। ইলেক্সন মতাং নকশিল্লক্লে। হৌজিক য়াম্না কন্না জেনরেল ইলেক্সনগী মনিল কারক্লি। তুমদুনা লৈরুরবা এম এল এশিং মীকপ থোকপা হৌরক্লে। ভোট লেপ্পগা মায় পাক্ত্রিবশিংসু খোঙজেল য়াঙখৎনা চেনখৎনবা হোৎনরক্লি। মসিদগী লৈকায়গী ক্লব শাবা, মৈরা পায়বীগী শঙ শাবা, মঙ শাবা, ৱাইটিং সেদ শাবা হায়বসিদা মায় ওনশিন্নরক্লি। অমনা শাগনি হায়দুনা তৌরিবা থবক অমা অতোপ্পা মীওই অমা চঙলক্লগা থিংজিন্নবা হোৎনরি। থিংদোক-থিংজিন হায়বসি লেপ্পা লৈতনা অদুম্মক চৎনরি। থিংবা ঙমহৌদবশিংনা অকনবা শকপা নৎত্রগা থিংবা ঙম্বশিংনা থিংদুনা শঙ শাহন্দ্রগসু অকনবা শকপা তান্নরি। হেন্না নুংঙাইরিবা অমদি য়ামখিদ্রবা শঙ শাননবা কায়থোরকখিবা শেনফমগীদমক্তা মতিক চাবা মীওই কয়া কোককায় লুকায়নবা কয়া য়াওরক্কদৌরিবা অসিনি। হৌজিক মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা কেন্দিদেটশিংগী ৱার্কর হৌ-হৌ চোংবা হৌরক্লে। মীগী অৱা-অনা হংবা তান্নরক্লে। লম্বীদা চৎপদা হন্না ফাওবা য়েংলমদবা মীওইশিং অচৎ-অওকশিংদা কৌননবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরে। নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈ অমা য়ৌরকপগা চপ মান্নরে।

ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলুরগা হন্দক্কী য়াওশংদি মপুং ফাগদৌরি। য়াওশংগী শেল পাংবা ঙম্বা সোসল ৱার্করশিং য়াম্না থোরক্লগনি। চাক চানবগী শেল পাংবদা অঙম তান্নরক্লগনি। ঈশৈ পাংবা ঙম্বা, লীলা পাংবা ঙম্বা, ফিল্ম পাংবা ঙম্বশিংনা য়াওশংদদি মরুওইবা হায়বদু ওই। শেলবু পায়দ্রবদি য়াওশংদদি ফাগী তাই। য়াওশং লাক্কনি খনবদা হুমাং অনপ্পী কাবা সোসল ৱার্করশিংসু থোরক্লে। নুংঙাইরিবা হায়ববু শেল শীজিন্নবা হৈতবশিংনা শীজিন্নফম লৈতবদগী পৈদুনা থম্লম্বা শেলশিং লৈশাবী মচা, মৌনহাশিংদা মখুৎ মখুৎনা য়েন্থোকপা ফংবদুসু অমা ওইরমগনি। য়াওশংগীদমক্তা শেল হাপচরোই হায়না থোঙ্গালদা থেৎতুনা থম্বা য়ুম খরা মমাঙদা থেংনখ্রে। লৈখিদ্রবী মণিপুরগী শক্ল ইরবী অইবা খাইদেম প্রমোদিনিনা য়াওশংগী শেল খায়বা লাকপী মৌনহাশিংদা নয়ুম নয়ুমদা থবক তৌদুনা লৈবা য়াদ্রা হায়না চৈখিবদুগুম্না চৈবা ঙম্বী নুপী খরসু থোকহন্নিংই। প্রমোদিনিগী ৱাখল্লোন খঙবীশিংনা ওইবনিনা প্রমোদিনিদা করিসু হায়রমদনা মরু লুকথরগা হন্নখি। শেল নীবগী ৱাফম অমা লমদম অসিদা লাক্লিবা অসিদা হায়নিংলিবদি সোসল ৱার্করনিবু হায়রবদি শেল নীরুগদবনি খনবগী চৎনবী অমা লমদমসিদা লৈরক্লিবসি করম্বা মতমদগী ওইরকখিবনো হায়বসিনি। মণিপুরগী খ্বাইদগী মমিং চৎপা সোসল ৱার্করদি হিজম ইরাবতনি। ইরাবতকুম্না মীয়ামগী থবক তৌরম্বা লুচিংবা অমত্তা লমদমসিদা হৌজিক ফাওবা পোক্তে। অদুবু ইরাবততা কনানসু শেল নীখিদে। ইরাবততা লীলা পাংবীয়ু হায়খিদে। ইরাবততা ঈশৈ পাংবীয়ু হায়খিদে। ইরাবত লাক্লে তাবদা পালি নাইনরগা মহাক শংননবা হোৎনবা, অরৈবা খরা পীজ-পীথক তৌখিনবা হোৎনবা হায়বসিনা মতম অদুগী চৎনবী ওইখি। ইরাবতপু লাইনি হায়না খঞ্জবা মহাক্কী খোঙলোয় কয়া লৈ। ইরাবত শিদ্রিঙৈদা মখোয় হান্না শিগনি হায়না ৱারেপ লৌজৈ। মরম অদুনা ইরাবতকী লৈফম তাকউ হায়বদা তাকথোক্তনা মতম কুইনা লোৎতুনা থমখ্রিবদু।

হৌজিক্কী সোসল ৱার্করশিংদি কনানবু লোৎশিন্দুনা থম্লিংলিবগে। লোৎশিন্দুনা থম্বদি লায়রদনা ইনশিল্লগা, ভোট লেপকনি হায়বগী শমিন খজিক্তং ফংবদা শেল খায়রুরসি হায়না হোৎচিন্নরে। শেল ফংনবা হোৎনবদা নুংশিদ্রবসু নুংশিবা শারগা মহাক্কী ৱার্কর মালহন্নবা হোৎনবা হায়বসিসু লুখ্রবা আর্ট অমনি। মসিদনি ভোট লেপকনি হায়রুবা মীওই কয়া মকোক্তা মখুৎ হাপ্পরক্লিবসি। থাংজিল্লুরবা খোঙথাং ওইবনিনা হন্দোকপসু য়াদবগুম তৌ, হঞ্জিনবসু য়াদবগুম তৌ ওন্থোক্লা ৱানা খাঙনরি। মসিদদি হেক্তমক মতারকই শোৎলগা চাউ, পুরগা শিংউ হায়বদু। য়াওশংদনি মণিপুরগী সোসল ৱার্করশিংগী মতিং ফুদোক্ল রক্কদৌরিবসি। ভোট লেপ্পা য়াবা মীনি নৎত্রগা য়াদবা মীনি হায়বসি য়াওশংদা শেল নীবা লাকপা ভোটর চন্দ্রিবী চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংনা লেপকদৌরিবনি। মখোয়না শন্দোরক্কনি মহাক ভোট কাবা য়াই নৎত্রগা কাদবা য়াই হায়না। ভোটকা য়াওশংগা মরী লৈনরকপসিদনি সোসল ৱার্করনি হায়দুনা চোংথোক্লুরবা মীওইশিংনা খঙন-চানবদগী শেল পুশিনবগী তঙাইফদবা লৈরক্লিবসি। হৌজিক্কী মতমগী সোসল ৱার্করদি পুবা হৈত্রবদি সোসল ৱার্কর ওইবা য়ারোই। শেলদা নত্তনা ৱাঙাঙ শাঙাঙ, ফিজেৎ-চাকচা পুম্নমক পুরগা ওইগদবনি। পুবা হৈতবা মীওইশিংনা ভোট লেপকনি হায়না চোংথোক্লুরবদি মশানা মশাবু ফাগী তাহঞ্জবা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে।

লৌশিং পুক্কে

# হকচাং ফবা মীওইশিং লৌশিংসু লৈ

মীওইবগী হকচাং ফহনবগা মরী লৈনবা জিনশিংনা মীওই অদুগী ৱাখল খনবগী মওংদসু চাউনা ইথিল পী হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। মরম অদুনা চাংচৎতা হকচাং ফবা মীওইশিং লৌশিং লৈবগী চাংসু ৱাংই।



মীওই খরদা অকক্লবা লায়না নারগা অতোপ্পা মীওই খরদনা নাদ্রিবা করিগীনো হায়বগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙদোক্ল বগীদমক রিছার্চরশিংনা মীওই লাখ অমরোমগী মওং মতৌ য়েংশিল্লম্মী। হেন্না মমুৎ তানা খঙবা ঙম্নবগীদমক মমাঙদা পাঙথোকখিবা অলঝিমর'স দিজিজ, সিজোফ্রেনিয়া অমদি ওটিজমগা মরী লৈনবা ষ্টদি কয়াসু নৈনরম্মী। হিরম অসিদা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ এদিনবর্গগী ইয়ন দিয়রিনা হায়খি, মীওইবগী জিন, হকচাংগী ফীভম অমদি মেন্টেল হেল্ঠকী মরক্তা য়াম্না চাউনা মরী লৈনৈ। মপুং ওইনা য়েংবদা মশা-মউ ফবা অমসুং অনা-অয়েক য়াওদবা মীওইশিংনা ৱাখল-লৌশিং লৈবা হেল্লি হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ এদিনবর্গকী সাস্কা হেজিনারসনা হায়খি, হকচাং ফবা মীওইশিংগী ব্রেননা মথৌ তৌবদা হেন্না মওং মরিল তাবা মরম্না লৌশিং লৈবা ওইরমগনি। হকচাংগী অতৈ অতোপ্পা কয়াৎশিংনা ব্রেনগী মথৌদা মতৌ করম্না ইথিল পীবগে হায়বদুগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবা মথৌ তারি হায়না য়ুনিভর্সিটি অসিমক্কী সরাহ হেরিসনা ফোঙদোকখি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি মোনিক্যুলর সাইকিয়াট্রি জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি। অমরোমদা, স্কোটলেন্দগী রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা লৌশিং লৈবা মীওইশিংনা মশা-মউ ফবা হেল্লি হায়বা খঙলকখি। রিছার্চরশিংনা হায়খি, লাইরিক-লাইশু হৈবগা লোয়ননা ৱাখল লৌশিং লৈবা অমসুং প্রোব্লেম সোল্ভ তৌবদা হৈথোই শিংথোইবা মীওই অয়াম্বা হকশেলগী মতাংদসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। মরম অদুনা হকচাংগী অৱম্বা হেলহন দবদগী পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাশিংদগী লাপথোকই।

কুমজা ২০০৭ তা হৌদোকখিবা য়ু কে বাইওবেঙ্কনা মীওইবগী জিন, ৱাখল খনবগী মওং হকশেলগী ফীভম অমদি পুন্সি শাংবগী মরক্তা লৈনবা মরী কুপ্না নৈনরম্মী। মদুদা ৱাখল লৌশিং লৈবা মীওই অয়াম্বা হিরম খুদিংমক্তা চেকশিনবা মরম্না হকশেলগী মতাংদসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়বা খঙলকখি। চাংচৎতা য়েংনবদা মহৈ মশিন হৈবা মীওইশিংগী ব্লদ প্রেসর নেল্লম্বা থেংনখি।

এদিনবর্গ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার ইয়ন দিয়রিনা হায়খি, অতৈ অতোপ্পা মরম কয়ামরুম লৈরম্বা য়াই, অদুবু চাংচৎতা য়েংনবদা লৌশিং লৈবা মীওই অয়াম্বা হকচাংগী ফীভম ফরম্বা থেংনখি। পুম্নমক অসি ওইদুনসু লৌশিং লৈবা মীওই খুদিংমক পুন্সি শাংগনি হায়বমক্তি নৎতে। মেদিকেল সাইন্সনা খঙবা ঙমদবা মরম কয়ামরুম অমনসু মীওইবগী হকশেলদা অকায়বা থোকহল্লকই।

খুদম ওইনা হায়রবদা মপুন্সিগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরক্ত্রিবা মীওই কয়া কেন্সর নাবা থেংনরি। মৈখু শীজিন্নবা মীওই খুদিংমক লংস কেন্সর নাবসু ওইদে। হিরম অসিগী মতাংদা প্রোফেসার ইয়ন দিয়রিনা হায়খি, লাইবক ফবদগী ময়াই কাবা পোৎলম শীজিন্নবা মীওই অমা অনীখক মশা-মউ ফনা লৈবা ঙম্বগী ৱাদনি। মৈখু, নৎত্রগা হীদাক মনাগী পোৎলম, নৎত্রগা য়ুনচিংবা ময়াই কাবা পোৎলম শীজিন্নরিবা খুদিংগী লায়না অমা নৎত্রগা অমা ওইহল্লক্তুনা পুন্সি তেলহল্লি হায়বসি য়াম্না চুল্লবা ৱাফমনি। নোংমৈ কাপ্প ফমদা চঙলুবা মীওই খুদিংমক নোংমৈ মরুদনা পান্দে। অদুবু পাল্লকপা য়াবগী রিস্কতি অদুম্মক মায়োক্লে। মতৌ অসুম্না পুন্সি মহিং শোয়বা, চেকশিন্দবা মীওই খুদিংমক পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না পল্লকপা য়াবগী রিস্ক চাউনা মায়োক্লে।

মতাং অসিদা মহৈ মশিন হৈবগী ৱাফম পুশিল্লদুনা রিছার্চরশিংনা হায়খি, থবক ওইনা পাঙথোকপা নৎত্রগা পাঙথোক্তবনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রবসু মহৈ-মশিন হৈবা মীওই অয়াম্বা হকশেলগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং মমুৎ তানা খঙই।

অমরোমদা, লন্দন স্কুল ওফ ইকনমিক্সনা পাঙথোকপা সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়রি, কনাগুম্বা মীওই অমা মশা-মউ ফবা অমসুং পুন্সি নুংশাংনা হিংবা হায়বসি মীওই অদুগী মমা-মপাগী পুন্সি মহিং অমসুং চাকচা য়ুথক্কা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ। অফবা মরূ হুল্লবদি অফবা ওইরকপগুম অফবা মমা-মপানা পোল্লকপা মচাসু অফবা মী ওইগল্লি।

# মণিপুরী মতম ঈশৈ

য়ুম্নাম সুরেন

অসুম্না হায়নবা লৈ মদুদি ঈশৈ নোংমাই পামদবা মীশক অমত্তা মালেমসিদা লৈতে। তশেংনমক ঈশৈনা মীওইবগী ৱাখলবু পোথাহল্লি। শোন্থরবা পূক্লিংবু তেকখৎহল্লি। অনাববু লায়েংদুনা ফহনবা ঙম্মী। মহৌশা লাইরেম্বী ইমাগী তম্পাক্তা হিংলিবা খুদিংবু নাওশুম্বা ঙম্মী। খুদম হায়ববু নাগিন খোঙবা তারগা তম্বীরুবা লৈতনা লিন্না জগোয় শারি। খা ভারতকী ক্লাসিকেল ঈশৈ শৈশকপা, শৈরেংবা অমদি ঈশৈ নোংমাইগী লমজিং লমতাকপা থ্যাগরাজানা মশামক্লা রাগ বিহারীদা শৈপানবা 'নব জিবন ধারা' হায়না শৈহৌবা ঈশৈবু শক্তুনা শিরবা মী অমবু হিঙ্গৎহনখিবগী ৱারী ঈশৈগী মতিক ময়ায়বু শিংথানরকপদা লীনরি। গ্রিক্কী ফিলোজোফর পায়থগোরাসনা মাগী মহৈরোয়শিংদা ফত্তবা পূক্লিংগী ঈথিলবু ঈশৈ নোংমাইনা লাপ্পা তান্থোকখিবা ঙম্মী হায়বসি তম্বীখিবগী ৱারী লৈরি। ৱা ঙাঙবদা মরৈ লোম্বা, ফ্রেন্স ফিল্ম একটর গিরার্ড ডিপারডিয়ুবু মহাক্কী ডোক্তর এলফ্রেড তোমতিস এম দি অসিনা ঈশৈ নোংমাইগী পান্থৈ শীজিন্নদুনা লায়েংবদা ফখিবগী ৱারীসু লৈরি। অদুবু ঙসি ঙসিমক ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা ঈশৈগী লমদা খঙলুবা তৌদবা, চন্না হিংজবা মীওইশিংনা ঙাইহাক্তং পোথাবদা পাম্না তানরিবা ঈশৈগী মখলশিংগী মরক্তা মণিপুরী মতম ঈশৈ হায়বসি অমনি। ঈশৈ মখল অসি লৈবাকনিংবা ঈশৈ, লাইশোন ঈশৈ, ফিল্ম ঈশৈ, শুমাং কুম্মৈগী ঈশৈ নত্তে। অমুকসু, থায়নঙৈদগী লৈরক্লবা কনানা শৈপাল্লম্বনো, শৈরেংলম্বনো, শৈশকলম্বনো খঙদবা অদুবু ঈশৈশিং অসিনা খুন্নাই অসিবু মশক তাকপা ঙম্বা শম্না হায়রবদা পেনাগী ঈশৈ, খুল্লং ঈশৈ, খুন্নুং ঈশৈনচিংবসু নত্তে। অমুকসু খোংজোম পর্ব্ব, নট সংকৃতননচিংবসু নত্তে। মসিগী খুদম হায়ববু ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা মতম ঈশৈগী মতাংদনা মতম ঈশৈ, লৈবাকনিংবা ঈশৈগী মতাংদনা লৈবাকনিংবা ঈশৈ, লাইশোল ঈশৈগী মতাংদনা লাইশোল ঈশৈ, ফিল্ম ঈশৈগী মতাংদনা ফিল্ম ঈশৈ হায়না লাউথোক্লিবসিনি। অসুম্না হায়নবা লৈ মদুদি মতম ঈশৈ হায়রিবা শৈদা অসি লাইওইখ্রবা শৈশকপা ওজা নোংমাইথেম পহাড়ি (চিত্ররঞ্জন) সিংহনা এ আই আর ইম্ফালদা লৈরিঙৈদা ময়াম তান্নরগা থোনবা হৌখিবা শৈদানি হায়না। মতম অমদা এ আই আর ইম্ফালদা বন্দনা হায়রম্বদগী লৈবাক নীংবা ঈশৈ ওনখিবা অসিগুম্না অধুনিক হায়রম্বদগী মতম ঈশৈ ওনখিবনি। ঈশৈ অসি ময়েক্তা মরুওইনা লৈবাকনিংবা ঈশৈ, লাইশোল ঈশৈনচিংবা নত্তবা ঈশৈ ময়েক্তা য়ুম্ফম ওইনা শৈরেংনি। ঈশৈ অসিগী অশাংবা মতম অসি মিনিট ৫ গী চাংদা শক্লে। চুবু চুনরবদি ঈশৈ শৈদা অসি হিন্দুষ্টানি সঙ্গীতগী রাগশিংদসু য়ুম্ফম ওইদুনা শৈপান্নে, শৈরেংনৈ, শৈশকনৈ। অতোপ অতোপ্পা মী কাঙলুপ নৎত্রগা ফুরুপশিংগী অরিবা ঈশৈনচিংবসু য়ানশিল্লগা শৈপান্নে, শৈশকনৈ। অমুকসু মশাগী মরোমদোম ৱাখলদগী থোরকপা অতোপ্পা কনা অমগী শৈহেক শৈদাগা মান্নদনা শৈপান্দুনা শক্লকপসু য়াওই। শৈহেক শৈদা মসিমক ওইগদবনি হায়বগী কাঙলোন কা হেন্না লৈতে। অমগা অমগা য়ানশিন্নরগা অনৌবা ঈশৈ অমা ওইনা মতম অসিগী মীওইশিংনা তাবদা নুংঙাইনা শৈপান্নে, শৈশকনৈ। নোংচুপলোমগীদি ঈশৈ হায়বসি অহানবদা ক্লাসিকেল, অনীশুবদা (ঈ) ঠিএটর অহুমশুবদা পোপ (পোপুলর) হায়দুনা অহুম থোক্লা খায়দোকই। অনীশুবগী ঠিএটরদগী ট্রেদিসনেল থোক্লকই। ট্রেদিসনেলদগী ফোক অমদি কন্ত্রি হায়দুনা অসুম অসুম শন্দোকখি। অদুগা, অরোইবগী পোপ হায়বসিদগী মোর্দন সোং লাকখি। হায়রিবা মোর্দন সোং (অনৌবা ঈশৈ) হায়বসিগী মশক্লি ঐখোয়গী মণিপুরী মতম ঈশৈ হায়না খঙনরিবসিগী মশক অসি। মতাং অসিদা পনবা য়াবা অমনা মতম ঈশৈবু ওইরে, লাইশোল ঈশৈবু ওইরে, লৈবাকনিংবা ঈশৈবু ওইরে, পেনা ঈশৈবু ওইরে, নট সংকৃটনবু ওইরে, খুন্নুং ঈশৈবু ওইরে, ক্লাসিকেল ঈশৈবু ওইরে, খোংজোম পর্ব্ববু ওইরে, ফিল্মদবু শক্লবা ঈশৈ অদু ফিল্ম ম্যাজিক (হিন্দুষ্টানি সঙ্গীতনা চিত্রপাঠ সঙ্গীত) কী মনুং চল্লে, ফিল্ম ঈশৈ হায়বদু ওইরে। মতম ঈশৈ হায়বসি ওইদ্রে।

লোইশিল্লকপদা, মতম ঈশৈ শৈদা অসিগী লম অসিদা চৎলিবশিংনা অমদি মরী লৈনবা লূপশিংনা মতম ঈশৈ অসিবু মশক মুন্না খঙবগা লোয়ননা মসিবু কনবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাং অমা ওই। শৈদা অসিগী ময়েক্তা ইরমদম অসিগী লৈজরিবা মীতৈলোন নৎত্রগা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিং অসিগী লোনদা পুদা নত্তবা লোন য়ানশিনহন্দবা মথৌ তাই। শৈরেং-শৈপানবশিংনা শৈহেক-শৈদা শেম্বা মতমদা অতোপ্পা ঈশৈগী শৈহেক-শৈদাগা চপ মান্ননা নৎত্রগা মান্নগে তৌনা শৈপান্দবা, শৈশেমদবা মথৌ তাই। মরী লৈনবা লূপশিংনা শৈশকপা, শৈশকপী, খোংবা-থিনবা, শৈরেংবা শৈরেংবীশিংগী পুন্সি ৱারী খোমজিন্দুনা চহী খুদিংগী অকক্লবা মতম অমদা মানা মানা তৌখিবা থবক অদু হাপচিন্দুনা মেনশিলহৌবা মথৌ তাই। মসিনা মতম ঈশৈদা থৱায় য়াওজরম্বীশিংনা তৌরম্বা থবকশিংদুনা নীংশিংবদা নৎত্রগা শিংথানরকপদা তুংগী মীরোলনা লায়না খঙবা ঙমগনি।

নুপী হায়বসিনা খুন্নাই অমবু মশক তাকপা ঙম্বনিনা শৈফমদা মতম ঈশৈ শৈশকলিবীশিংনা ঐখোয়গী ওইবা ফিজোলতমক শেৎপা ফঙানি। মীয়াম মাঙদা ঈশৈ শক্তিঙৈ শৈরেংবা অমদি শৈরাং-শৈপানবদুগী মমিং লাউথোকপা মথৌ তাই। মতম ঈশৈ থৌরম চথরিঙৈদা মওং তাদনা শেল থাবনচিংবা তৌদনবা থাননবা মফম অমা থমদুনা মদুদা থাহনবা মথৌ তাই। ঈশৈগী শৈফম অমদা খোংবা থিনবদি হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা খোংই, থিল্লি। ঈশৈ শকপগীদি ঈশৈ খরা শক্লম্লগা অদুম্মক চৎনখি। অদুবু ফংনরিবা অৱামলদি অসুক্কী মতিক খেন্নৈ। মসিগী ফীরেপ অমা থম্বা মথৌ তাই। মরমদি খোংবা থিনবা য়াওদ্রবদি মতম ঈশৈ অদু কৈদৌনুংদসু ফজরোই। মরী লৈনবা লূপশিংনা লাইফ টাইম এৱার্দনচিংবা পীবদা মতম ঈশৈগী খোংবা থিনবগীসু য়াওহনবা মথৌ তাই। মরী লৈনবা লূপ অমনা চহী খুদিংগী শৈরেংবা নৎত্রগা শৈশকপা শৈশকপীশিংগীদমক্তা লাইফ টাইম এৱার্দনচিংবা পীদুনা অমদি মতম ঈশৈগী ৱার্কশোপ পাঙথোক্তুনা অমদি চেফোঙনচিংবা ফোংবা মীয়াম্না উনরি। মসিমক মতম ঈশৈবু কনবগী চঙশিল্লকপা অচৌবা খোঙথাং অমনি। মরম অসিনা মতম ঈশৈ শৈদা অসিগী থাক অসি হেঙ্গৎনবা হোৎনবা হায়বসি শৈদা অসিবু নুংশিবা পামজবা মীওইশিংগী তৌদবা য়াদবা মথৌনি।

# সোমা, খোনিকর অমসুং অফাওনা অঙাংশিংগা উনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪ ঃ ইনষ্টিট্যুট ওফ রুরেল এদ্যুকেসন (আইআরঈ), ৱাংজিংগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লিবা ব্রেন দ্রেন এক্সপোসিয়াদা শরুক য়ারিবা অঙাংশিংগা ফিল্ম এক্টর সোমা লাইশ্রম, খুরাইজম খোনিকর অমসুং অফাওগা উনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।



তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা উনবগী থৌরমদা অহানবা তাঙ্কক্তা সোমা অমসুং খোনিকরনা অঙাংশিংগা উনখি। থৌরম অসিগী অশিন-অরাংগী মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম অমসুং আই আর ঈ, ৱাংজিংগী প্রিন্সিপাল নারেংবম রজিভনসু তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। মখোয়না হায়খি, লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ৬ তা অপূনবগী শক্তম কন্নবগীদমক্তা চৎকদৌরিবা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অসিবু শৌগৎপা ওইনা পেন্টিং কেম্প অসিদা শরুক য়ারিবা অঙাংশিংনা আই আর ঈ, ৱাংজিংগী কমপ্লেক্সতগী ৱাংজিং কৈথেল ফাওবা ৱা ঙাঙদবা খোঙচৎ অমসু চৎকনি হায়রি।

অঙাংশিংগা উনবগী থৌরম অদুদা সোমা লাইশ্রমনা হায়খি, ইমা-ইপা লৈখিদ্রে হায়দুনা ঐখোয়না কৈদৌনুংদা ৱাখল শোন্থবা তৌরোইদবনি। অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল অঙাং ওইরিঙৈদগী শাগৎমিন্নগদবনি। মালেম হায়বসিদি অমখক্লা মপু ওইবা য়ারোই। ঐখোয় পুম্নমক মালেমসিগী মপুনি হায়না খনগদবনি। খোনিকরনসু নৌরিবা অঙাংশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা হায়বসিনা লাইনিং লম্বী ফংনবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীনি হায়না ফোঙদোকখি। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু অফবা লম্বীদা শেম্বগী থৌদাং লৌরিবা অসি খুন্নাই অমা শেল্লিবনি হায়না ফোঙদোকখি। ঙসি আই আর ঈ ৱাংজিংগী বিএদ কোর্সতা শরুক য়ারিবা শৌগাইজম থোইথোইনা বোই অমসুং কলম পুরক্তুনা অঙাংশিংদা য়েন্থোকখি।

নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা অঙাংশিংনা এক্টর উনবগী অনীশুবা তাঙ্কক পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা শক্লাইরবা শৈশকপা অমসুং এক্টর ওইরিবা অফাওনা অঙাংশিংগা উনখি। অঙাংশিংগী কেম্প অসিদা থৱায় য়াওনা শরুক য়াবদু উরুবদগী অফাওনসু অঙাংশিংদা পূক্লিং থৌগৎপা ৱারম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ম্যুজিক য়াওদবা ঈশৈ শক্তুনা অঙাংশিংদা তাহনখি।

Worm Free Children Are Healthy Children

National Deworming Day

Did you know that children who have worms
• Always feel tired because of malnutrition and anemia
• Can have impaired physical and mental development

Worm infection is easy to control

10 February 2016

All children aged 1-19 will be given the deworming tablet at all schools and anganwadis free-of-cost. unregistered and out-of-school children should also be dewormed

Children who could not be dewormed on National Deworming Day must be given the tablet on mop-up day - 16 February 2016

NATIONAL HEALTH MISSION, MANIPUR

HL-B/2936/05